**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 21-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শিরুই ফেষ্টিভেলগী পাউ খোম্বা চৎপা পাউমীশিং তোংবা এম.এস.টি বস গ্বালতাবীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অথিংবা পীরকখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা ইনক্কারি কমিতি অমা শেম্লে।

২) এম.এস.টি বসতা থাবা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ লৌথোকউ হায়বা থৌওং অদুবু এম.এল.এশিং য়াওনা মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী গ্বালতাবীদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

৪) ভারতকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি রাজিভ গান্ধি লৈখিদবগী ৩৪ শুবা কুমওন থৌরমবু লৈবাক শিনবা থুংবদা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) ছত্তিসগরদা মাওইষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসন অদু নক্সলাইটশিং মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবগী চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে

------

কমিতি (এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা পাঙথোক্লিবা শিরুই ফেষ্টিভেলগী পাউ খোল্লা চৎপা পাউমীশিং তোংবা মণিপুর ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্টকী বস অমা ইম্ফাল ইষ্টকী ঙ্বালতাবী চ্যেক পোষ্ট মনাক্তা অথিংবা পীরকখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেল্লে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা হোম বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ইনক্বারি কমিতি অসিদা হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমার অমসুং আই.টিগী সেক্রেটরি টি.ঐচ. কিরন কুমার সিংহ য়াওরি।

চেরোল অদুনা হায়- থোকখিবা থৌদোক অদুদা করি অহোবা অমদি অশোইবা লৈখিবগে হায়বদু কমিতি অসিনা থিজিনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক মতুংদা অমুক থোক্তনবা য়েংশিনগনি। কমিতি অসিগী রিপোর্ট নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎকনি।

অমরোমদা, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমদি এদিটরস গিল্ড মণিপুর অনিনা খুৎশম দুনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রবা মতুং ঙসি পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা খুদক্কী ওইবা জেনেরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোকখি। অমজ্ অমদি ই.জি.এমগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপালগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি। লোয়ননা ইনক্বারি কমিতি শেম্বগী ৱাফম অসি খঙহল্লকখি হায়রি। রাজ্যপালগী ৱাফম তারবা তুংদা মীফম মখা চথদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখি। মদুগী মনুং চন্না হয়েংদগী মহৌশাগুম পাউ ফোংবগী থবক হৌবা, ইনক্বারি কমিতিগী রিপোর্ট লাক্ত্রিবা ফাওবা সরকারগী পাউশিং হাপ্তুবা হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি হায়রি।

কন্দেম (এল)ঃ শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ খোল্লা চৎপা পাউমীশিং তোংবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমা ঙ্বালতাবীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বস অদুদা থারিবা মণিপুর লৌথোকউ হায়বা থৌওং অদুবু এম.এল.এ- নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌওং অদুবু এম.এল.এশিং- আর.কে. ইমো, থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ, গোবিনদাস

কোন্থৌজম, দিংগানলুং গাংমৈনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মণিপুর পিপলস পার্তিনসু থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। ককচিং জিলাদা য়াম্লবা মহৈরোইশিং থোরক্তুনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। জিলা অসিগী হিয়াংলম ইবুধৌ লাই পাঙ্গলবদগী হৌরগা হিয়াংলম ৱাবগাই লমখায় বজার ফাওবা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জরনেলিষ্ট এসোসিয়েসন্নসু শিরুই ফেষ্টিভেলগী পাউ খোন্বা লাকপা পাউমীশিংদা চথখিবা থৌওং অদুবু কন্না য়ান্নিংদবা ফোংদোরক্লি।

কোকোমি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী গ্বালতাবীদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

লমফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অসি ইচম চমা ইরায় লাইনা লৌবা য়ারোই। মরমদি মণিপুর সরকারনা শিনবা ফেষ্টিভেলগী পাউ খোন্বা চৎপদা মণিপুর সরকারনা থৌরাং তৌবা গাড়ি অমা তোংদুনা চৎপদা বস অদুদা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট থারিবা অদুদা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ লৌথোকউ হায়বা থৌওং অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌরি। মহাকা হায়- থৌদোক অদু করমা থোকহনবনো হায়বা সরকারনা মীয়ামদা পুং ৪৮ গী মনুংদা খঙহনগদবনি।

শিরুই (এল)ঃ ৫ শুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা কলা সংস্কৃতি অমসুং চাংদমবশিং পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদু সি.এস.ও লিলি ফেষ্টিভেল কমিতিনা শিন্দুনা উখ্রুল হেদক্বাটর গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা হোর্তিকলচরগী কম্মিসনার শ্রী টি. পামৈনা হায়- শিরুই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা অসিনা লৈ অসিগী মগুন ফোংদোকপদা নত্তনা উখ্রুল জিলাগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিশিংবু মীয়ামদা উৎথোক্লি। মহাকা

হায়- কলা সংস্কৃতিনা জাতি অমগী শক তাকপা হায়বসি চাউথোকচনিঙাইনি। মরম অদুনা মীয়ামা মশা মশাগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং ঙাকা থমগদবনি।

রাজিভ (এল)ঃ ভারতকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি রাজিভ গান্ধি লৈখিদবগী ৩৪ শুবা কুমওন থৌরমবু লৈবাক শিনবা থুংবদা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট কে.ঐচ. মেঘচন্দ্র সিংহনা লুচিংদুনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা হায়না পুন্না ৱাশক লৌখি।

তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে। অৱাং খুল, খোংসাং অমসুং অজ্‌রাম খুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই কয়া শরুক য়াবগা লোয়ননা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপবা ৱাশক লৌখি।

জষ্টিস ঃ জষ্টিস কেমপাই সমাসেখর হয়েং হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম হয়েং অয়ুক পুং ১০ মখায়দা রাজ ভবন ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। মহাকপু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি।

মহাকা, ঙসি থবক পায়বগী মতম লোইরবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস-দি.কৃষ্ণকুমারগী মহুৎ শিল্লগনি।

জিরিবাম ঃ ত্রাইবেলশিংদা শক্তি পীনবা য়ামা মরুওইবা অমসুং অককবা মতমদা পায়খৎকদবা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকারস অভিয়ান ঙসি জিরিবাম জিলাদা হৌদোকখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা ত্রাইবেল খুঙ্গং অহুম জাইরোলপোকপী, সোতোবেক্রা অমসুং ভুতাংখাল খনগৎলে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ধরতি অবা অভিয়ান এৱারনেস এন্দ বেনিফিটস সেচুরেসন কেম্প

খনগৎলবা খুলশিং অসিদা মথং থাগী ১৫ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

তেংনৌপল ঃ তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা ৱালনটস দিভলপমেন্ট ওফিসার, হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন্না শিন্দুনা আর.কে.ভি.ৱাই কেফেটরিয়া স্কিম ২০২৩-২৪ গী মখাদা লৌমীশিংগী ত্রেনিং অমসুং ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি জিলা অসিগী খংসিম খুলদা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা বেনিফিসরি ৬৫ রোম শরুক য়াবগা লোয়নননা ৱালনট থাবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ঈ-শ্রম স্পেসিয়েল কেম্পেনগী অনিসুবা রাউন্দ ঙসিদগী হৌখ্রে। জিলা থাক, সবদিষ্ট্রিক্ট লেবেল অমসুং কম্মন সার্ভিস সেন্তরশিংদা অখন্নবা কেম্পেন অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কুনা শিন্মীশিংবু ঈ-শ্রম পোর্তেলদা রেজিষ্টর তৌবগী খুদোংচাবা পীরি।

দান্স (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চখগদবা গুরু তরুনকুমার ইমেজরি এৱার্দ অমসুং ফেষ্টিভেল ওফ ক্লাসিকেল সোলো দান্স এন্দ দান্স ড্রামা ঙসিদগী হস্ফালগী লমবোই খোঙনাংখোঙদা হৌখ্রে। প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরি (পাল)না থৌরম অসি গোল্ডেন জ্‌বিলি থৌরম লোইশিনবগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার আর.কে. নিমাই, আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্তর শ্রিনাশ্রি মাইরেম্বম অমদি গুলাপী নট সংকৃটন একাদমিগী দাইরেক্তর গুরু লাখপতি সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ ভোলুন্তিয়ারশিংবু মখোয়গী ফংফম থোকপা দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স ফংহল্লু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না ঙসি রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। সুপ্রিম কোর্ট অমদি হাই কোর্টনা থেংখাং কয়ারক্তা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না মতম মতমগী ওইবা হেনগৎফম থোকপা দিয়ারনেস এল্লাৱেন্সশিং অথুবা মতমদা হেনগৎপীয়ু

হায়না মেমোরেন্দম অদুদা পনখি। মদুগী মনুং চন্না দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স অসি হান্না চাদা ১৪ ওইরম্বা অদুদগী ইং ২০২২ গী এপ্রিলগী তাং ১ দগী চাদা ১৭.৫ ওইহনবা, ইং ২০২২ গী জুন তাং ১ দগী চাদা ২১ ওইহনবা, ইং ২০২২ গী দিসেম্বর ১ দগীনা চাদা ২৮, ইং ২০২৪ মার্চ ১ দগীনা চাদা ৩২ অমসুং ইং ২০২৫ জনুৱারিদ ১ দগী চাদা ৩৯ ওইহনবা হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

আর্ট (এল)ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা চথরিবা ফেষ্টিভেল ওফ আর্ট এন্দ কলচরেল এক্সপ্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুরী থিয়েতর একাদমি ৱাংগোইগী অশেংবী লৈশাবী উৎখ্রে। জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমিদা উৎখিবা প্লে অসিগী দাইরেক্তরনা শরুংবম বিরেননি।

এমটিয়ু (এল)ঃ মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিদা একাদমিক সেসন ইং ২০২৫-২৬ কী ওইনা বি টেক ফার্ষ্ট সেমিষ্টরদা মিং চনগদবা খনগৎলবা জি কেন্দিদেন্টশিংগী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী মতম শাংদোক্লে। নিংথিনা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা পীশিল্লকবা মণিপুর টেকি কেল য়ুনিভর্সিতিগী রেজিষ্ট্রারনা খঙহল্লক্লি।

সাহ ঃ ছত্তিসগরদা মাওইষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসন অদু নক্সলাইটশিং মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবগী চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- নরায়নপুরদা চথখিবা ওপরেসন অমদা মাওইষ্ট লুচিংবা নমবলা কেসব রাও য়াওনা মাওইষ্টকী হকচিনবা মীওই ২৭ হাৎখি। কেসব রাও অসি সি.পি.আই মাওইষ্টকী জেনেরেল সেক্রেটরি ওবতা নত্তনা নক্সলাইট কী ইহৌ শাগৎনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা লুচিংবা অমনি। শ্রী সাহনা হায়- নক্সলাইটকী মথক্তা চথরিবা লান অসিগী চহি ৩০ গী মনুংদা জেনেরেল সেক্রেটরিগী ফম পায়বা নক্সলাইটকী মীওই অমা হাৎপা ঙম্বা হায়বসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

অসিগুম্বা চাওনা মায় পাকপা ওপরেসন অমা চখ্খিবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ওপরেসন ব্লেক ফোরেষ্ট লোইরবা মতুং ছত্তিসগর, তেলঙ্গনা অমসুং মহারাষ্ট্রদগী নক্সলাইট ৫৪ ফারে, ৮৪ না সরকারদা চংজরকখ্রে। মহাকা হায়- কেন্দ্রদা পাল্লিবা মোদি সরকারনা মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মমাংদা লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটকী ইরাং মুথৎনবা পান্দম থল্লি।

এক্সটর্নেল ঃ পাকিস্তানগী খুজদর সহরদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুদা ভারতকী খুৎ য়াওই হায়না পাকিস্তান্না শিরক্লিবা মরাল ভারতনা য়ানিংদবগা লোয়ননা য়ুম্ফম য়াওদবনি।

পাকিস্তান্না শিরক্লিবা মরাল অদুগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা হায়- পাকিস্তান মনুংদা থোকপা থৌদোকশিং ভারত্তা মরাল শিরকপা হায়বসি পাকিস্তানগী হৌনশানি। মসি পাকিস্তানবু তেরোরিজমগী ইপিসেন্তরনি হায়না লৌরিবা অদু নাথৈনবা হোৎনবনি। মহাকা হায়- পাকিস্তান্না মালেমগী লৈবাকশিংদা লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা অদু মায় পাক্ত্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী অৱাবদা ভারতসু শরুক য়ারি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

পাকিস্তানগী খা নোংচুপ থংবা বালোচিস্তান প্রোভিন্সকী খুজদর জিলাদা স্কুল বস অমদা এটেক তৌরকপদা মীওই ৬ শিখিবনি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং(এল)ঃ শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপ য়াইস্কুল কাংশঙদা চখ্খরিবা ১৮ শুবা প্লেয়ারস ত্রোফি লিক কম নোক আউট কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- পুথিবনা ধ্রুব তারাবু পাঞ্জল ১৯-১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা- এথলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসন (অবা) অমদি রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (রাউ) পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগকী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচতা- এফ.সি. ইস্ফাল অমদি দ য়ং ক্লব ৱেলফ্যার পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে। চথরিবা লিগ অসি খুদোংচাদবা লৈবদগী অনৌবা ফিকচর শেমদ্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ লুৱাংপোকপা টি ত্বেন্তি ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংগী মনুংদা আর.সি.এ লিলোং অমদি পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিগী মেটচ, কে.সি.সি কোংবা বজার অমসি সি.দি.সি.সি শগোলবন্দগী মেটচ নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদ্রে। টিমশিংনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ থার্দ এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স টি-ত্বেন্তি ত্রোফিগী ঙসি শান্নগদবা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোক অমদি পি.টি.আর.সি পাৎশোইগী মেটচসু নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু থাউ থাংমৈবন্দনা ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বেদমিন্টন (এল)ঃ অহানবা ষ্টেট লেবেল মাষ্টর ভেটরান বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা তুরনামেন্ট অসি ঙসিদগী মে ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

------